**সুপ্রিম কোর্ট ওফ্ ইন্দিয়া**

সিবিল অপিল নম্বর ৭৫৫৭-৭৫৫৯ ওফ্ ২০২৯ (এস্ এল্ পি (সিবি অপিল নম্বর: ৯০২৪-৯০২৬ ওফ্ ২০২১ দগী লাকপা)

ৱারেপ তাখিবা তারিখ ০৮-১২-২০২১

অপিলেন্ত: **ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন সিংহ**

**ভর্সেস**

**রেস্পোন্দেন্ত:** ওনরেবল স্পিকর, মনিপুর লেজিসলেতিব এসেমব্লি এন্দ অর্দর্স

**ওনরেবল জর্জজেস/কোরম:** উ উ ললিত, এস রবিন্দ্রা ভাত অমসুং বেলা এস ট্রিভেদি, জজটিস

**কাওন্সিল্স:** অপিলেন্ত/পিটিস্নর/প্লেতিফকি মাইকৈদা লেপ্লিবা; এল কে পাউনম, তোমথিনঙানবী কোইজম, নিরজ বোবী পাউনম, এডভোকেট্শিং অমসুং এস কে ভর্থচার্রিয়া এ ও আর

**রেস্পোন্দেন্ত/দিফেন্দেন্তকী মাইকৈদা লেপ্লিবা;**

দামা সেসাদ্রি নাইদু, সিনিয়র এডভোকেট্, লেনিন সিংহ হিজম, এ এ জি, অনিস আর সাহা, এ ও আর, অব্দুল রহিমান টম্বোলি, সিভালি চৌধারি, অনন্দবে আনন্দ ভরধন অমসুং সিদার্থ চপাওগাওনকর, এডভোকেডশিং

**কেসকী মখল:** মীখলগা মরি লৈনবা- এম পি শিং এম এল এ শিংবু দিসক্কালিফিকেসন তৌবা অমসুং তান্থোকপা

**কেসকি মচং ওইবা ৱারোল:**

মীখল তৌবা- দিসক্কালিফিকেসন তৌবা-দল চোংথোক চোংশিন তৌবা- মদুগী য়ুম্ফম ওইরিবা পাউ-চেগী রিপোর্টর্শিং-ইন্দিয়াগী কন্সটিটুসনগী তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরগ্রাফ ২ (১) (এ) অমসুং (২) লোইননা ইন্দিয়াগী কন্সটিটুসন্দা ১৯৫০ গী আরটিকল ১৯১(২)- স্পিকরনা শিংনরদুনা থারকপা কেসতা স্পিকরগী ফাইনদিংশিং অদু চুম্মী হায়না হায় কোর্টনা হায়খি – মরম অদু লৈবনা চথরিবা অপিল অসি থারকপনি – ইচম চম্বা পাউ-চেগী রিপোর্টর্শিংদা য়ুম্ফম ওইরগা দিসক্কালিফিকেসন তৌবা য়াৱ্রা? –মপুং ফানা খুদোং চাবা পিবিখিদে হায়না অপিলেন্তনা থমৱ্রা অমসুং মদুনা দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবা ওর্দর অদু চৎনবা য়াদবা ওইহনৱ্রা?

কেসকী ৱারোলশিং; অপিলেন্ত অসি ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস (আই এন সি) গী মীহুৎ অমা ওইনা লেজিসলেতিভ এসেমব্লি মেম্বর ওইনা ভোত কারকখি অমদি মহাক্না মহাক্কী পার্টিগী মেম্বর ওইবদু মশানা য়াজনা তোকখি অমদি ভারতিয়া জনাতা পার্টি (বি জে পি) দা য়াওশিনখি হায়বা মরমগী দিসক্কালিফাই তৌনবা তৌরকপনি পিটিসন অদু পাউ-চেগী রিপোর্টশিংদা য়ুম্ফমদা ওইরগা

থারকখিবনি। স্পিকরনা প্রোসিদিংশিং অদু লৌখৎখি। হিয়ারিং অদু ঙনখৎখি অমদি মদুগী মখা তারকপদা দিসক্কালিফিকেসনগী পিটিসনশিং অদু ময়াবা পিখি। স্পিকরগী ওর্দর অদুবু শিংনরদুনা তারকখিবা রিট অদু ককথৎখি। অয়াবা পিখিদে। মদুনা মরম ওইরগা চৎথরিবা অপিল অসি থারকপনি। মখোই মশানা হায়নিংবদু হায়বজনবগী খুদোংচাবা অদু পিবিখিদে অমসুং ইচম চম্বা রিপোর্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা দিসক্কালিফিকেসন তৌবা য়াদে হায়না অপিলেন্তশিংনা থমখি।

**অপিলশিং অসিবু অয়াবা পীরদুনা অসুন্না থমখি:**

হিয়ারিংগী মতম ঙনখৎহনখিবদু পার্টিশিংনা খঙখিব্রা হায়বগী ৱাফমদু নৈনরুদনা, কেস অসিগী লৈরিবা ৱাফমদি অসিনি মদুদি করিগীদমক্তা কেসশিং অদু ঙনখৎনা হিয়ারিং তৌবগী তঙাই ফদবা অথুবা ৱাফম লৈ হায়বদু লৈরিবা রেকোর্দ অসিনা তাক্তে। পার্টি অমত্তা স্পিকরগী মমমাংদা লাক্কুনা হিয়ারিংদা য়াওখিদে হায়বসি রেকোর্দতা লৈরবা ৱাফমনি। (১৮)

পাউ-চেশিংদা ফোংনরকপা রিপোর্ট অসি "রাজনিতি দল অমগী মেম্বর ওইবদু মশানা য়াজনা তোকচরে" হায়বগী মতিক চাবা প্রমাননি হায়না লৌবা য়াব্রা অমসুং মদু ইভিদেন্স পুথোকপা মথৌ তাব্রা, হায়বগী ৱাফমশিং অসি স্পিকরনা য়েংশিংলম্ফম থোকপনি। (১৯)

কেসশিং অসিগী লৈরিবা ফিভমশিং অসি য়েংলগা, অপিলশিং অদু অয়াবা পীখি অমসুং স্পিকরনা অমসুং হায় কোর্টনা তাখিবা ওর্দরশিং অদু চৎনহনখিদে। কেসকী লৈরিবা মেরিতশিং অদুদং য়েংলগা ইনৌ নৌনা খন্ননবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অদু স্পিকরগী ফাইলদা অমুক হিঙ্গৎহনখি।

**ওর্দর**

(১) কোর্টনা অয়াবা পিরে।

(২) দব্লিউ পি সি নম্বরশিং ৩৩২ ওফ ২০২০, ৩৬০ ওফ ২০২০ অমসুং ৩৬১ ওফ ২০২০ দা ইম্ফালদা লৈবা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরনা তারিখ ২-০৬-২০২১ দা তাখিবা কমন জজমেন্ত এন্দ ফাইনেল ওর্দর অদু অপিলশিং অসিদা শিংনবনি।

(৩) ২০১৭ গী মার্চতা পাংথোকখিবা তরামাথোইশুবা মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী মিখলশিংদা, ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস শন্না (আই এন সি) গী কেন্দিদেত অমা ওইনা মনিপুরগী ৮-লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিটু্যসন্দগী লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইনা অপিলেন্ত অসি ভোত কারকখি।

(৪) মসিগী মতুং তারকপদা, অপিলেন্তনা আই এন সিগী মেম্বর ওইবদু মশানা য়াজনা তোকচদুনা ভারতিয়া জনতা পার্টি (শন্না "বি জি পি") দা য়াওশিনখি হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরগা আপিলেন্তবু দিসক্কালিফাই তৌবিয়ু হায়না হায়জরদুনা, ইন্দিয়াগী কন্সটিটু্যসনগী তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরেগ্রাফ

২(১)(এ) অমসুং (২) লোইননা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী আরটিকল ১৯১(২) গী মখাতা দিসক্কালিফিকেসন কেস নম্বর ২ ওফ ২০১৯ হায়বা পিটিসন অমা ৮-লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুসনগী ইলেক্টরশিং ওইরিবা শ্রী শোইবম ইঙোতোম্বি সিংহনা থারকখি। তরাম্না ওকপগী থৌরম অমদা, মনিপুরগী চীফ মিনিস্তরনা লুচিংবা বি জে পিদা আপিলেন্তনা য়াওখি অমসুং মহাক্না বি জে পিগী টুপী উপখি অমসুং শোল ইনখি অমদি মশাবু বি জে পিগী মেম্বর অমা ওইনা শক তাকচখি হায়না লমশিগী পাউ-চেশিংদা ফোংলকখিবা রিপোর্ট খরদা য়ুম্ফম ওইরগা পিটিসন অদু থারকখিবনি।

(৫) মসিনা মান্ননা, মান্নবা মরমদা য়ুম্ফম ওইরগা অপিলেন্তপু দিসক্কালিফাই তৌগদবনি হায়না হায়জরদুনা অতোপ্পা দিসক্কালিফিকেসন কেস নম্বর ৭ ওফ ২০১৯ হায়বা অমা ৮-লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুসনগী ইলেক্টর অমনা থারকখি।

(৬) পিটিসন অনিসি থারক্লবা মতুংদা, মান্নবা রিলিফ পীবিয়ু হায়না হায়জরদুনা আই এন সিগী টিকেত্তা কারকখিবা লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইরিবা ওক্রম হেনরি কৌবা অমনা দিসক্কালিফিকেসন কেস নম্বর ৯ ওফ ২০১৯ হায়বা অসুন্না পিটিসন অমসু থারকখি।

(৭) মতৌ অসুম তৌদুনা, দিসক্কালিফাই তৌগদবনি হায়না থারক্লিবা পিটিসন অহুম অসি আপিলেন্তনা বি জে পি দা য়াওশিন্দুনা আই এন সিগী মেম্বর ওইবদু তোকচরে হায়না তাকপা পাউ-চেগী রিপোর্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা থারকখিবনি।

(৮) দিসক্কালিফাই তৌগদবনি হায়না থারক্লিবা পিটিসন অদুদা মরুওইনা শিরিবা মরালশিং অদু মখাগী অসুন্না আপিলেন্তনা য়াখিদে:

> ৩. দিসক্কালিফিকেসন পিটিসনশিং অদুগী পেরা ৫ অদুগী মতাংদদি, মদুদা শিরিবা মরাল অদু রেস্পোন্দেন্তনা য়াদে অমসুং অসুন্না হায়জরি মদুদি পাউ-চেগী রিপোর্টশিং অসি ইভিদেন্স ওইনা শিজিন্নবা য়াদে মরমদি মদু থাজনিঙাই ওইদে অমসুং মদুনা মরম ওইরগা, ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরা ২(১)(এ) গী মখাদা লৌখৎপা দিসক্কালিফিকেসনগী প্রোসিদিংশিং অসি পাউ-চেগী রিপোর্ট/ক্লিপিংশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা রেস্পোন্দেন্তকী মায়োক্তা লৌখৎপা য়াদে; হায়রিবা পাউ-চেগী রিপোর্ট/ক্লিপিংশিং অদু মসিগী মতাংদা লৈবা আইনগী মখাদা য়ান্নরবা নোর্মশিং ইন্দনা ইভিদেন্স ওইনা পুথোরকখিবনি।
>
> ৪. দিসক্কালিফিকেসন পিটিসনগী পেরা ৬ কী মতাংদদি মদুদা শিরিবা মরালদু রেস্পোন্দেন্তনা য়াদে অমসুং রেস্পোন্দেন্তনা হায়জরি মদুদি রেস্পোন্দেন্তনা কৈদৌঙৈদসু বি জে পিদা য়াওখিবা লৈতে মতৌ অসুম তৌদুনা দল চোংথোক চোংশিন তৌই হায়বগী

ৱাফম অসি লৈতে; মরম অদুনা কন্সটিট্যুসনগী তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরা ২(১)(এ) গী মখাদা থারক্লিবা দিসক্কালিফিকেসন পিটিসন অসি মপুং ফাবা জজটিস ফংহন্নবা ককথৎফম থোকই।

(৯) মদুগী মতুং তারকপদা, কেসশিং অদু মনিপুরগী লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী স্পিকর (শন্না "স্পিকর") না হিয়ারিং চথনবগীদমক পুখৎখি অমসুং তারিখ ২২-০৬-২০২০ দা কেসশিং অদু লৌখৎনবগী য়াথং পিখি।

(১০) কেসশিং অদুগী হিয়ারিং মতম ঙনখৎলে অমসুং তারিখ ২২-০৬-২০২০ গী মহুত্তা তারিখ ১৮-০৬-২০২০ দা ওইনা হিয়ারিং চথরগনি হায়রদুনা আপিলেন্ততা পাউ পিখিবা ওইনদি উই। মসিগা মান্নবা মওংদা, স্পিকরনা লোইশিন্দনা লৈরিবা অতোপ্পা দিসক্কালিফিকেসন পিটিসন খরগী হিয়ারিংসু তারিখ ১৮-০৬-২০২০ দা ঙনখৎখি।

(১১) মরম অদুনা, রিট পিসিসন (সিভিল) নম্বর ২৯৮ ওফ ২০২০ অসি থারদুনা অসুন্না হিয়ারিং ঙনখৎহন্বগী থৌওংদু পাওনম ব্রোজেন সিংহ কৌবা মীওই অমনা শিংনরকখি; হায়রিবা রিট পিটিসন অদু মনিপুরগী হায় কোর্টনা তারিখ ১৮-০৬-২০২০ দা হিয়ারিং চথনবা পুখৎখি। য়েৎনরিবা পার্টিশিং না হায়রিবশিং অদু তারবা মতুং, হায় কোর্টনা মখাগী অসুন্না থমখি:

৫. মখোয়দা হান্না খংহনবা তৌদনা অমসুং মখোয়না হায়নিংবদু তাবিবা তৌদনা স্পিকরনা ঙসি প্রোসিদিংশিং অদু লৌখৎখি হায়না মখোয়না হায়রিবদু মেরিত খরা লৈ অমসুং মদু কোর্ট অসিনা খন্নবা মথৌ তাই; মসিগীসু মথক্তা, পার্টিশিংনা নত্রগা মখোয়গী কাওন্সিলনা হায়বদু তাবীদনা কোর্ট অমনা নত্রগা ট্রাইব্যুনেল অমনা তাবা ওর্দর অসি আইনগী মিৎয়েংদা লাল্লি, মদু নেচরেল জজটিসকী প্রিন্সিপলশিং অমসুং কন্সটিট্যুসনগী আরটিকল ১৪ গী প্রোভিজনশিংবু খোঙ্গাওনবনি হায়বসি য়েৎনবা লৈতনা য়ান্নরবনি। তশেংনমক, রাজ্যা সভাগী মিখল তৌবদা কোর্ট অসিনা করিসু হায়নিঙাই লৈতে, লোইননা স্টেত অসিদা থোক্লিবা রাজনিতিগী থবক থৌরমশিং অসিদসু কোর্টনা করিসু হায়নিংঙাই লৈতে। কোর্ট অসিনা হায়বা মথৌ তারিবদি আইনগী মতুং ইন্না পিটিসনশিং অদু দিস্পোজ তৌখ্রিবা, মরু ওইনা পিটিসনশিং অদু ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলনা করন্না দিসপোজ তৌখি হায়বদুনি। মসি খঙজিন্বা য়াই মদুদি তারিখ ১৫-০৬-২০২০ দা রিট পিটিসনশিং অদু কোর্ট অসিদা হিয়ারিংগী পুখৎলকপা মতমদা, স্পিকরগী মাইকৈদা লেপ্লিবা এডভোকেড্ শ্রী টরুন কুমারনা অসুন্না থমখি মদুদি স্পিকরনা অকক্লবা মতম অমা পিবা ঙমদে, মরমদি পার্টিশিংনা ইভিদেন্স পুথোকপা মথৌ তাবদগী পিসিসনশিং অদু লোইশিন্বদা মতম চংগনি। অদুবু ইখং খংহৌদনা, মথক্তা হায়খিবগুম

অমসুং মদুগী মরম পিদনা পিটিসনশিং অদুগী হিয়ারিংগী মতম অদু তারিখ ১৮-০৬-২০২০ দা অমুক নৌনা লেপখি হায়বসি হেক তাবদা অরানবা অমদি মরমচাদবা ওইনা উই।

৬. মথক্তা হায়খিবসি য়েংলগা, রেস্পোন্দেন্তশিংদা নোটিস/সম্ থারো, সমন হল্লকপগী তারিখ না ১৯-০৬-২০২০ হায়বদি হয়েংনি; পার্টিশিংগী লেপ্লিবা কাওন্সিলশিংনা সমনশিং অদু লৌখ্রবনিনা ওফিসতগী থাররোই।

মরক্কী থৌরাং ওইনা অমসুং ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা স্পিকরনা লোইশিন্দনা লৈরিবা পিটিসনশিং অসি দিসপোজ তৌবদা অমুক মখা তাবা চয়েৎনবা থোক্তনবা, কোর্ট অসিনা অসুম্না য়াথং তৌরে মদুদি ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা স্পিকরনা ওর্দর লাউথোক্নবগী থমজিন্দুনা ঙসি লাওথোক্কদবা জজমেন্ত/ওর্দর অদু হয়েং ফাওবা লাওথোক্তনা থমগদবনি। অসূম্না ময়েক শেংনসু খঙহল্লি মদুদি ঙসি ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা স্পিকরনা ওর্দর লাওথোক্নবগী থমজিনখিবা ওর্দর/জজমেন্ত অদু মহাক্না হয়েং ফাওবা লাওথোক্লোইদবনি। ৱাচ-এপ/ঈ-মেলগী খুথাংদা ওর্দর অসিগী কোপিশিং অদু পার্টিশিংগী লেপ্লিবা কাওন্সিলশিংদা অমসুং মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরিদা থাগদবনি। মসিগী ওর্দর অসি ইলহন্নবগীদমক মনিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরিগী মাইকৈদা লেপ্লিবা কে. ঐছ তরুনকুমার লর্নেদ কাওন্সিলদা হায়জরি।

১২. স্পিকরগী মমাংদা পুখৎলক্লিবা চয়েৎনরিবা ৱাফম অদু লোইশিন্নবা মরি লৈনবা পার্টিশিংনা ইভিদেন্স পুথোকপা মথৌ তাই হায়না স্পিকরগী মহুৎ শিন্না থমলক্লিবা ৱাফমশিং অদু হায় কোর্টনা মতৌ অসুম্না খঙজিল্লি।

১৩. অদুম ওইনমক, নাকল অনিমক মখোয়গী উকিলশিং অমত্তনা মহুৎ শিন্দুনা নত্রগা মখোই মশানা লাক্তুনা হিয়ারিংদা য়াওবা তৌদবা মতমদুদা তারিখ ১৮-০৬-২০২০ দা চথুরিবা কেস অদুদা তাখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না, স্পিকরনা দিসক্কালিফিকেসন কেস নম্বরশিং ২ ওফ ২০১৯, ৭ ওফ ২০১৯ অমসুং ৯ ওফ ২০১৯ শিং অদু অয়াবা পীখি। ওর্দর অদুদা অসুম্না থম্মী:

১৪. পার্টি অনিমক্কা পুথোরকপা এনেক্সর/দোকুমেন্তশিং অদু য়াওনা পার্টিশিংগী প্লিদিংশিং অদু কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুং, মসি তশেং তশেংলে মদুদি তারিখ ১৫-০৭-২০১৭ দা তশেংবমক রেস্পোন্দেন্তনা মাগী হান্নগী পার্টি ওইরিবা আই এন সিবু মশানা য়াজনা তোকচরে হায়বদু প্রমান তৌনবগীদমক অশেংবা অচুম্বা দোকুমেন্ত হায়বদি নুংতিগী ফোংবা পোল্লফম পাউ-চেগী অশেংবা পাউ-চে দুমক লৈরে। অদুবু অতোপ্পা দোকুমেন্তশিং হায়বদি

পাউ-চে শিংগী কোপিশিং অদুনা চিংবা অদুদি মদুদা ফোংলিবা রিপোর্টশিং অদু কদাই ফাওবা চুম্মী হায়বগী মতাংদা ওরিজিনেল দোকুমেন্তশিং অদুবু ফোংলিবা মরি লৈনবা ওথোরিতিশিংনা প্রমান তৌবা দরকার ওই। অদুগা অমরোমদা, পোক্লফম পাউ-চেনা পাউদু ফোংখি অমসুং শন্দোকখি হায়বদু রেস্পোন্দেন্তনা য়াজদবা তৌদে। পাউ-চে অদুদা ফোংলিবা রিপোর্ট শিং অদু য়াদবা তৌবসু লৈতে।

১৫. হৌজিক লৈরিবা ৱাফমদি অসিনি মদুদি পাউ-চেগী রিপোর্টশিং অসি থাজনিংঙাই ওইদবনা মখোয় অসি প্রমান ওইনা পুথোকপা য়াদে হায়বদু খক নত্তনা দিসক্কালিফিকেসন কেস নম্বর ৯ওফ ২০১৯ দা থারকপা পিটিসন অদুগী এনেক্সর এ/৫ ওইনা মার্ক তৌরকপা তারিখ ১৬-০৭-২০১৭ দা পোক্লফম পাউ-চেনা পাউদু ফোংখি হায়বদু রেস্পোন্দেন্তনা য়াদবা তৌদে। অসুম ওইবনিনা, লাইনা অসুন্না লৌবা য়ারে মদুদি রেস্পোন্দেন্তনা মাগী হান্নকী রাজনিতি দল হায়বদি আই এন সিবু মশানা য়াজনা তোকচরগা তারিখ ১৫-০৭-২০১৭ দা বি জে পিদা য়াওখি হায়বদু দিসক্কালিফিকেসন কেস নম্বর ৯ ওফ ২০১৯ দা পিটিস্নর ওইরিবশিংনা প্রমান তৌবদু ঙল্লে।

১৪. মতৌ অসুম তৌদুনা অসুন্না থমখি মদুদি আপিলেন্তনা আই এন সিগী মেম্বর ওইবদু মশানা য়াজনা তোকচখি অমসুং ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরেগ্রাফ ২(১)(এ) লোইননা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী আরটিকল ১৯১(২) গী মতুং ইন্না মহাক মতৌ অসুম তৌদুনা দিসক্কালিফাই তৌরে।

১৫. স্পিকরনা তাখিবা মথক্তা ননখিবা ওর্দর অসি রিট পিটিসন (সিবিল), নম্বরশিং ৩৩২ ওফ ২০২০, ৩৬০ ওফ ২০২০ অমসুং ৩৬১ ওফ ২০২০ হায়বা কেসশিং অসি তারক্লগা আপিলেন্তনা শিংনরকখি। অদুম ওইনমক স্পিকরনা তাখিবা ওর্দর অদু হায় কোর্টনা অয়াবা পীখি অমসুং হায়রিবা রিট পিটিসনশিং অদু ককথৎখি। কেসতুগী খন্নগদৌবা চয়েৎনরিবা ৱাফম অদু হায় কোর্টনা মখাগী অসুন্না খন্নখি:

(৪৩). স্পিকরনা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং লোইনমক অদু তারিখ ১৮-০৬-২০২০ দা পুল্লপনা হিয়ারিং তৌখি; অমসুং দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অদুগা মরি লৈননা থারকখিবা পার্টিশিংগী প্লিদিঙ্কশিং, পাউ-চেগী রিপোর্টশিং, ফোটোগ্রাফশিং অমসুং দি ভি দিশিং লোইনমক অদু খন্নরবা মতুং ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরা ২(১)(এ) গী মখাদা পিটিস্নরবু মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইনা দিসক্কালিফাই তৌখিবা হৌজিক চথরিবা কেস অসিদা শিংনরক্লীবা ওর্দর অদু স্পিকরনা তাখি। তারিখ ১৮-০৬-২০২০ দা তাখিবা হায়রিবা ওর্দর অদু তাখিবা মতমদা, রিট

পিটিস্নরনা বি জে পিনা শিনবা তরাম্না ওকপগী থৌরমদা শরুক য়াবা অমসুং মাবু বি জে পিগী লুচিংবশিংনা তরাম্না ওকপা অদু উৎপা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংনা ফোংখিবা পাউ-চেগী রিপোর্টশিং অদু স্পিকরনা ইভিদেন্স ওইনা লৌখি। রিট পিটিস্নরনা হায়রিবা পাউ-চেগী রিপোর্টশিং অদু লৈ অমসুং মদু অচুম্বনি হায়বদু য়াদবা তৌদবনিনা, স্পিকরনা অসুম্না লৌখি মদুদি রিট পিটিস্নরনা মশানা য়াজনা আই এন সিগী মেম্বর ওইবদু তোকচখ্রে হায়না লৌবা য়ারে; মদুগী মতুং  ইন্না  ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরা ২(১)(এ) লোইননা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী আরটিকল ১৯১(২) গী মতুং ইন্না স্পিকরনা রিট পিটিস্নরবু মনিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইনা দিসক্বালিফাই তৌখি।

৪৪. দিসক্বালিফিকেসন কেসশিং অসিগা মরি লৈননা কোর্টতা পিখল্লকখিবা ফোটোগ্রাফশিং/ভিদিওশিং অমসুং পাউ-চে গী রিপোর্টশিং অদু কুপ্না য়েংশিল্লব়া মতুং, লোইননা মখোইশিং অদু লৈ হায়বদু রিট পিটিস্নরনসু কৈদৌঙৈদসু য়াজদবা তৌখিদবনা, ঐখোয়না অসুম্না থল্লে মদুদি রিট পিটিস্নরনা ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস (আস এন সি) গী মেম্বর ওইবদু মশানা য়াজনা তোকচখ্রে হায়না লৌবা য়াবা মতিক চাবা প্রমান ওইবা য়াবা মচাকশিং স্পিকরগী মাংদা লৈখি। মখা তানা, দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিং অদুদা মহাক্কী মায়োক্তা শিরিবা মরালশিং অদু, অকক্লনা পাউ-চেশিং ফোংখি অমসুং লৈ অমদি মদুদা ফোংখিবা রিপোর্টশিং অদু অচুম্বনি হায়বদু রিট পিটিস্নরনা অকক্লনা তৌবদু লৈতবনা, রিট পিটিস্নরবু দিসক্বালিফাই তৌখিবা স্পিকরনা তাখিবা ওর্দর অদু চৎনহন্দনবগী মরম অদু ঐখোয়না  ফংদে, অমদি স্পিকরনা তাখিবা হৌজিক চথরিবা কেস অসিদা শিংনরক্লিবা ওর্দর অদুদা  খুৎ থিংজিন্নবগী মরম ঐখোয়না ফংদে।

৪৫. ঐখোয়গী মাংদা থাঙ্গৎলক্লিবা দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিং অদুগী রেকোর্দশিং অদু কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুং, ঐকোয়না অসুম্না ফংলে মদুদি দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিং অদু তারিখ ০৭-১২-২০১৭, ১৭-০৭-২০১৯ দা থাখি। সমন/নোটিস ফংলবা মতুং  ইকান কান্নদনা, চথরিবা কেস অসিদা পিটিস্নর ওইরিবা রিট পিটিস্নরনা মাগী কাওন্সিল (উকিল) গী খুথাংদা কেস অদুদা য়াওরকখি। রিতন স্টেতমেন্ত পিশিল্লকপগী মহুত্তা, হায়রিবা দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিং অদু চৎনবা য়াই য়াদে হায়বগী মতাংদা প্রিলিমিনরি ওবজেক্সনশিং থাঙ্গৎলদুনা রিট পিটিস্নরনা মিসিলিনস এপ্লিকেসনশিং থারকখি। মাগী এপ্লিকেসনশিং অদুদা রিট পিটিস্নরনা পুখৎলকখিবা প্রিলিমিনরি ওবজেক্সনশিং অদু ককথৎখ্রবা মতুং খক্তদং, রিট পিটিস্নরনা দিসক্বালিফিকেসনগী কেস অদুদা মহাক্কী রিতন

স্টেটমেন (পাউখুম) অদু তারিখ ১২-০৬-২০২০ দা থাজিল্লকখি। তারিখ ০৬-০৬-২০২০ দা স্পিকরনা তাখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিং পুন্নমক অদু মখা তাবা প্রোসিদিংশিং চথনবা তারিখ ১৭-০৬-২০২০ দা মতম লেপখি; অদুম ওইনমক স্পিকরগী য়াথংগী মতুং ইন্না, স্পিকর মশা ঙমদ্রে হায়বা মরমগী দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিংগী হিয়ারিংগী মতম নুমিৎ অদু তারিখ ২২-০৬-২০২০ দা নৌনা মতম লেপখি। অদুম ওইনমক, স্পিকরগী হকচাংগী ফিভম ফগৎলকপদু য়েংলগা অমসুং স্পিকরনা লোইশিন্দনা লৈরিবা দিসক্বালিফিকেসনগী পিটিসনশিং অদু মঙোন্দা এপেক্স কোর্টকী জজমেন্ত অদু খঙহল্লকপা তারিক্তগী চয়োল মরিগী মনুংদা খন্নদুনা লোইশিল্লু হায়না স্পিকরদা য়াতং পিরকখিবা এ আই আর ওন লাইন ২০২০ এস সি ৫৪ দা রিপোর্ট তৌরকখিবা "কৈশাম মেঘচন্দ্রা সিংহ ভরর্সেস ওনরেবল স্পিকর মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লি" গী কেসতা তারিখ ২১-০১-২০২০ দা তাখিবা মসিগী জজমেন্ত অমসুং ওর্দরদা ইকাই খুন্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা য়াথং পিরকপগী মতুং ইন্না দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিং অদু ঙন্না লোইশিনবগী অথুবা দরকার ওইবদুসু য়েংলগা তারিখ ১৭-০৬-২০২০ দা নোটিস অমা থোক্লগা দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিংগী হিয়ারিং অদু তারিখ ২২-০৬-২০২০ দগী ১৮-০৬-২০২০ দা অমুক্কা হন্না ঙনখৎহনখি।

৪৬. দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিং মায়োক্নরিবা এম এল এশিংগী মরক্তগী অমবু মহুৎ শিল্লিবা রিট পিটিস্নরগী কাওন্সিলনা তারিখ ১৮-০৬-২০২০ দা দব্লিউ পি সি নম্বর ২৯৮ ওফ ২০২০ হায়বা কেস অমা কোর্ট অসিদা থারক্তুনা তারিখ ১৭-০৬-২০২০ দা থোকখিবা নোটিস অদুবু শিংনরকখি হায়বা মরমদু লৈবনা দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিংগী হিয়ারিংগী তারিখ অদু ঙনখৎহন্খিবা তারিখ ১৭-০৬-২০২০ দা হায়রিবা নোটিস অদু থোকখি হায়বদু রিট পিটিস্নর অমসুং মাগী কাওন্সীলনা খঙই হায়না রেস্পোন্দেন্তশিংগী মাইকৈদা লেপ্লিবা কাওন্সিলনা থম্লকখিবা ৱাফমশিং অদু ঐখোয়সু য়াই। দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিংগী হিয়ারিং অদু ঙনখৎহনখিবা অদু খঙলগসু, রিট পিটিস্নর অমসুং মাগী কাওন্সীলনা ট্রাইব্যুনেলগী মমাংদা কেস লেপত্নবা ৱারেপ লৌখি; মদুগী মতুং ইন্না মখোয় য়াওদনা স্পিকরনা দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিং দৈ হিয়ারিং চথখি অমদুং লোইশিনখি।

১৬. হায় কোর্টকি ৱারেপ অদুবু শিংনরদুনা থারকখিবা আপিলশিং অসিদা, আপিলশিং অসিবু শৌগৎলদুনা লেপ্লিবা এদভোকেড মিস্টর ওস কে ভত্তচার্রিয়া অমসুং স্পিকরগী মাইকৈদা লেপ্লিবা সিন্যার এদভোকেড মিস্টর দামা সেসাদ্রি নাইদুনা হায়বদু ঐখোয়না তারে। রেজিস্ট্রিগী রিপোর্টকী

মতুং ইন্না, দিসক্কালিফিকেসন এপ্লিকেসনশিং তারকখিবা হান্নগী এপ্লিকান্তশিং অদুদা নোটিস পিখ্রে, অদুবু মখোয়না কেসশিং অসিদা য়াওনবা তৌদ্রে।

১৭. কাওন্সিলশিংগী মতেংগা লোইননা, পার্টিশিংগী মরক্তা পনখিবা প্লিদিংশিং অমসুং রেকোর্দতা লৈরিবা ৱারোলশিং অদু ঐখোয়না কুপ্না পারে। পিটিসনশিং অদু তারিখ ২২-০৬-২০২০ দা হিয়ারিং চথনবা য়াথং তৌখি অদুবু হিয়ারিং অদু তারিখ ১৮-০৬-২০২০ দা ঙনখৎহনখি হায়বসি তশেং তশেংলে।

১৮. অসুন্না হিয়ারিংগী তারিখ ঙনখৎহনখিবা অদু পার্টিশিংনা খঙখিব্রা হায়বা ৱাফমদুদা নৈনদবিদা, লৈরিবা ৱাফমদি অসিনি তারিখ ২২-০৬-২০২০দগী তারিখ ১৮-০৬-২০২০ দা করিগীদমক্তা কেসশিং অদু ঙনখৎনা হিয়ারিং তৌবগী তঙাই ফদবা অথুবা ৱাফম লৈ হায়বদু লৈরিবা রেকোর্দ অসিনা তাক্তে। পার্টি অমত্তা স্পিকরগী মমাংদা লাক্তুনা হিয়ারিংদা য়াওখিদে হায়বসিসু রেকোর্দতা লৈরবা ৱাফমনি। তারিখ ১৮-০৬-২০২০ দা তাখিবা মসিগী ওর্দরদা হায় কোর্টনসু পনখিবা, স্পিকরগী মহুৎশিন্না লেপ্লিবা কাওন্সিলনা থল্লকপগী মতুং ইন্না, লৈরিবা কেস অদুদা ইভিদেন্স পুথোকপা মথৌ তাখি।

১৯. পাউ-চেশিংদা ফোংলকখিবা রিপোর্টশিং অসি "রাজনিতি দল অমগী মেম্বর ওইবদু মশানা য়াজনা তোকচরে" হায়বগী মতিক চাবা প্রমান ওইনা লৌবা য়াব্রা অমসুং কেসশিং অদু ইভিদেন্স পুথোকপা মথৌ তাব্রা হায়বা ৱাফমশিং অদু স্পিকরনা য়েংশিনফম থোকপনি। ঐখোয়গী মোত মতুং ইন্নদি, কেসতুগী লৈরিবা মরু ওইবা ৱাফমশিং অদু ইভিদেন্স পুথোকপা লোইন-লোইননা পার্টিশিংদা মখোয়গী মোত পিনবগী মতিক চাবা খুদোং চাবা পীবা দরকার ওই।

২০. কেসশিং লৈরিবা ফিভমশিং অসি য়েংলগা, ঐখোয়না আপিলশিং অসি অয়াবা পীরে, স্পিকর অমসুং হায় কোর্টনা তাখিবা ওর্দরশিং অদু চৎনহন্দ্রে অমসুং স্পিকর অমসুং হায় কোর্টকী মমাংদা তাখিবা ওর্দরশিং অদুদা থমখিবা ৱাফমশিং অদুনা অকাইবা লৈহন্দনা কেসকি লৈরিবা মেরিতশিং অদুদং য়েংলগা ইনৌ নৌনা খন্নবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেস নম্বরশিং ২ ওফ ২০১৯, ৭ ওফ ২০১৯, ৯ ওফ ২০১৯ অদু স্পিকরগী ফাইলদা অমুক হিঙ্গৎহল্লে।

২১. স্পিকরনা তাখিবা ওর্দর অদু হৌজিক চৎনহন্দ্রবনিনা, স্পিকরনা কেস অদু দিস্পোজ ফাওবদি, লেজিসলেচরগী মরি লৈনবা সভাদা আপিলেন্তনা মখা তানা মীহুৎ ওইনা লৈখিগনি।

২২. ঐখোয়না অসুন্নসু থম্বা য়াই মদুদি মতম খরা কেসশিং অসি আইনগী মকাদা লিংখৎপা কোর্টশিংদা লোইশিন্দনা লৈরক্লি। মরম অদুনা, আইনগী মতুং ইন্না লোইশিন্দনা লৈরিবা দিসক্কালিফিকেসন এপ্লিকেসনশিং অসি হেক য়ারিবমখৈ ঙন্না খন্নদুনা আইনগী মতুং ইন্না দিস্পোজ তৌবিনবা ঐখোয়না স্পিকরদা হায়জরি।

২৩. মথক্তা থমখ্রিবা ৱাফমশিং অসিগা লোইননা মথক্তা হায়খ্রিবা শরুকশিং অদু ফাওবগী চাংদা আপিলশিং অসি অয়াবা পীরে; কোস্টকী মতাংদদি ওর্দর অমত্তা তাদ্রে।